থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লীরবা, অনৌবা পাউ খরা

মরুপ-মপাংশিংনা মোবাইল ফোনদা সেয়র তৌরকপা মেসেজশিংসি মরক মরক্তা নুংঙাই-নুংঙাইরবা, কান্নবা পাউ কয়াসু য়াওরকই - পুক্লিংসিদা অকনবা ইথিল পীবা। অদুগুম্বা মেসেজ অমা ঙসি তরানি-কুননিগী মমাঙদা ফংখি। খনখি-পাউজেল অসি নুপীশিংনা তারবদি শোয়দনা ৱারৌ-পুক্লৌবা, শাউনীংবা য়াওনি’সে। ঐতা নত্তে, পাউজেল অসি ফংনবা মীওই মঙা-তরাদদি ওইরম্লোই। লীশিং-লাখ’তা খুজিং ওইরগনি ফংলমদৌরিবনি, নুপীশিংসু য়াওনা। ঐনা ঙসি, ইজরিবা পাউদম অসিগী ৱামাঙ ওইনা ৱাফম অসি পুথোকচনিংলুবগী মরমদি পাউজেলসিদা য়াওরিবা ‘পোলিটিকেল তোন’ অদুগী খল্লুবদনি। তাবীয়ু অদোমসু ... ‘বাজপাই, কলাম অমদি মোদিনা শংশংননা উৎলম্লে, মদুদি, পুন্সিদা মাগী লোয়নবী (নুপী) নবু অয়েৎ-অথিং পীবিদ্রবদি কবি, সাইন্টিষ্ট অমদি চা-য়োনবা অমনসু লৈপাক অমবু মশক থোক্লা, মায় পাক্লা লমজিংবা ঙম্মী ... অদুগা অমরোমদা মায়া, মমতা অমদি জয়াললিতানসু মালেম পুম্বদা খঙহল্লে, মদুদি নুপী হায়বসিগী মফমদা মাগী মাগী নুপাশিংনা দিসতর্ব তৌবিদ্রবা, মখোয়না লৈপাক অমগী লৈঙাক্তা কয়ামুক কন্না দিসতর্ব তৌবা ঙম্বগে’...।

মোদর্ন ইন্দিয়ন পোলিটিকেল হিষ্টরি নৈনদবা; অটল বিহারি বাজপাই, এ পি জে অব্দুল কলাম, নরেন্দ্র মোদি কনানো খঙদবা; মায়াবতি, মমতা বেনর্জি অমদি জয়াললিতানা য়ু পি, বেঙ্গল অমদি টামিল নাদুদা করি তৌরমখি খঙদবা কনাগুম্বা অমগী মফমদদি ৱাহায়সিনা পীরিবা ইমপ্লিকেসন অদু খঙহনবা ঙম্লোই। অহানবগী নুপা অহুমসিগীদি পোজিটিভ ওইবা রিমার্ক অমদি মখোয়না তৌরম্বা অফবা থবকশিংদুগী মতমদতনি শীংথানরিবা অদুগা অকোনবগী নুপী চীফ মিনিষ্টর অহুমসিগী মতাংদনা মখোয়না তৌরম্বা কা হেনবা, নেগেটিভ ওইবা থবক থৌওংশিং অদুতনি ৱারীনরিবা।

মীওইবগী পূক্লিং-ৱাখল হায়বসিসু অঙকপনি ! মী অমগী অফবা-অওকপা ৱারীদুদি তানীংদে। ফত্তবা-ওত্তবা লীচৎ চৎলম্বগী ৱারীদুদি হাইফেৎ মকা ফোংলুবদা লম্মৈগুম্না পাক্লা শন্না শন্দোকখিনি মীকুপ্তা। পাউদম অসি ইরিঙৈ, থোক্লিবসিনি ইশাদা। ৱারী অসি লীরুঙৈ নীংশিংলক্লে অতোপ্পা ৱারী অমা। ঙসি-ঙরাং থোকখিবা ফোঙ-ফোঙ শারিবা ৱারী নত্তে। আ মমাংঙৈ, ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলমদাই, নীংতম-ঈহৌ লোইশিল্লকপা মতমদুগী ৱারীনি।

মতমদুদা, খ্বাইদগী মরু ওইবা লুচিংবা ওইখিবা সর্দার বল্লব-ভায় পতেল অমদি পন্দিত জৱাহরলাল নেহরু, অনীগী খ্বাইদগী নক্লবা ‘মেনন’ শাগৈগী ওফিসর অনীখক লৈরম্মী - জৱাহরলাল নেহরুগী মরু ওইবা পাউতাক্লোয় (মেইন এদভাইজর) ‘ভি কে কৃষ্ণ মেনন’ অমদি সর্দার বল্লবভায় পতেলগী খ্বাইদগী নক্লবা খোঙলোয় ‘ভি পি মেনন’। হায়নৈ - মেনন অনী অসি অমগা অমগা য়ানদে, ক্রক ক্রক য়েংশিন্নৈ। অদুবু, মতমদুদা ইন্দিয়াদা ভাইসিরোই ওইরম্বা অদুগদি অনীমক কন্না নকশিন্নৈ। মাউন্তবেট্টন’নসু কৈদৌঙৈদা মেনন অনীমক পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখিদে, তোখায়-তোখায় উন্নগনি। ভি পি মেনন’না ভাইসিরোয়দা তমগনি - পতেল’না করি খল্লিবা। অদুগা কৃষ্ণ মেনন’না মাউন্টবেট্টন উন্নবদা হায়গনি - নেহরুগী ৱাখল করিনো। ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী ফাদর-ফিগর গাৰিনা শুকয়া য়াখিদে ‘নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী তু-নেসন থিওরি’। অমরোমদা, ‘মুস্লিম লিগ’কী মপা ‘মহম্মদ অলি জিন্নাহ’গীসু অরোইবা ফিরেপনি - ‘ইন্দিয়াদগী তোখায়বা পাকিষ্টান কৌবা মুস্লিম খক্তগী ওইবা ইস্লামি ষ্টেট অমা শেমগৎপা’। নেহরু অমদি পটেল-গান্ধিগী ফিরেপতা ফোঙনা শীংনবা মতিক ওইদে। মাউন্টবেট্টন’না পোথী অমা পুথোরকখি - কৃষ্ণ মেননগী খুথাংদা নেহরুবু ‘ইন্দিয়া-পাকিষ্টান অনী থোকপা নত্তনা ইন্দিয়া নীংতম্লবগী অতোপ্পা পান্থৈ অমা লৈতরে’ হায়বা থাজহনবা। অদুগা ভি পি মেননগী মতেং লৌরগা পতেলবুসু ‘ইন্দিয়া অনী থোক্তবা ইয়া য়াররোই’ হায়বা ৱাখল পোকহনবা। মাউন্টবেট্টন’না খঙখি - মাগী মাগী ‘মেনন’না হায়বা ৱা ‘নেহরু’নসু ‘পতেল’নসু লৌদবা তৌরোই, অদুগা ‘মেনন’ অনী অদুসু কৈদৌঙৈদা উন্নদুনা ৱারী শারোই। নেহরু-পতেল অনীমক অমত্তা ওইখিবদা নীংবা কায়রবা ‘গান্ধি’ খোঙফম হন্দোক্তুনা তুমিন লৈখি - লাইগী মচা (হরিজন) শিংগী মরক্তা, মখোয়গী থৌগল তৌদুনা। মখাদি - পূম্নমক্লা খঙবীরে, অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মীহাৎ-মীশি-মীনা অমদি কৈদৌঙৈদসু চান্নবা-মরুপ ওইররোইদবা, য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনী, লোয়ননা লোইবা নাইদ্রবা লান।

অতোপ্পা থৌদোক অমনা, কুমজা ১৯৬২ ‘হিন্দি-চিনি-ভায়-ভায়’ (ইন্দিয়ন-চাইনিজ-মচীন-মনাও) হায়বা খোল্লাউ লাউরিঙৈ, পুকচেপ্তা থাঙনা থিল্লকপগুম, চিনানা লান তাশিল্লকপা, ইন্দিয়া চঙ ফংনা মায়থীখিবগী হেক মতুং, মীয়ামগী খোল্লাউদা খাঙ’ঙমদ্রবা ‘কৃষ্ণ মেনন’ দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফমদুদগী থাদোক চে (রিজিগনেসন) পীশিল্লকপদু নেহরুনা অয়াবা পীখিদে। এম পি চামরি হেন্না তিল্লবা মীফমদুদা ‘মহাবীর ত্যাগী’ কৌবা এম পি অমনা ফোঙনা লাউরকখি হায়, ... ‘নেহরু-জি ! করিগুম্বা অদোম্না ‘মেননগী রিজিগনেসনদু অয়াবা পীদ্রবা, অদোম্না পায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদুদগী অদোম ওইনা কুমথবীরকপা তাই’ ...। ঙসিগী এম পি মরকসিদা ‘মোদিগী মথক্তা অদুম্না হায়বা ঙম্বা এম পি অমা থোরক্কনি হায়বা থাজবীবরা? ‘ত্যাগী’গী ধপ মতুংদসু নেহরু মথৌ পাঙবা ঙমখিদে। ইন্দিরা গান্ধিনা প্রসিদেন্ট (রাধাকৃষ্ণন) গী মনাক্তা চত্তুনা মপাবু কনবীনবা, ত্যাগীবু ফম থাদোকহন্নবা য়াথং তৌবীনবা হায়জখি হায়। মসিবু থাজসিরনে ? ঙসিগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম-মিনিষ্টরগী ‘রব্বর স্তাম্প’নি - হায়নৈ, খঙই পূম্নমক্লা। থাজরোইসিরা হায়র’সু, ৱাফম অসি ‘জয়রাম রমেস’না হায়বনি, করম্নসু থাজরোই, রেকোর্দ ওইনা লৈরিবনি।

লৌশিং পুক্কে

# খূৎ-শা শেংনা হাম্বনা লায়না লাইচৎ শন্দোকপদা তশেংনা তপথহনবা ঙম্লিবা করিগীনো

ভাইরেল ইনফেক্সনদগী ঙাকথোক্লবগীদমক খূৎ-শা নীংথিনা হামদুনা লূ-নান্না লৈনবা দোক্তরশিংনা হায়। হৌজিক হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা পাক্তক্লনা শন্দোক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিগী মতাংদসু খূৎ-শা শেংনা হাম্বগী থৌওং অসি মপূঙ ফানা চত্থনবগী পাউতাক কয়া পীরি। খূৎ-শা শেংনা হাম্বনা লায়না লাইচৎ অমা শন্দোরকপদা তশেংনা তপথহনবা ঙম্বরা? অনৌবা রিসার্চকী মতুংইন্না ঙম্মী হায়রি।



ভাইরসকী লায়না লাইচৎ অমা শন্দোরকপা মতমদা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক খূৎ-শা শেংনা হাম্বা হায়বসি করিগীদমক অসুক মরুওইরিবনো হায়বগী মতাংদা অনৌবা ষ্টদি অমনা শুগায়না তাকখ্রে।

ভাইরেল ইনফেক্সনশিংদগী ঙাকথোক্লবগী মতাং লাকপদা, মরুওইনা লোক খূবা অমদি হাকথি খনবদা য়াওরকপা লোক-তিনগী ঈরীকশিংদগী শন্দোকপা ইনফেক্সনশিংগী ওইনদি খূৎ-শা শেংনা হাম্বা হায়বসি মতম পুম্বগী ওইনা ইহান হান্না তৌগদবা চেকশিন থৌরাং অমা ওইরি।

হৌজিক হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা পাক্তক্লনা শোকহল্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিগী ওইনসু ইনফেক্সন রেট হন্থহন্নবগী ওইনা কাঙলোন চুম্না খূৎ হাম্বা হায়বসিনা পব্লিক হেল্থ ওফিসলশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা পাউতাক ওইরি।

নোভেল কোরোনাইভাইরস ইনফেক্সনদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী গাইদলাইনশিংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ‘মীয়াম্না সাপোন অমসুং ঈশিং শীজিন্নদুনা খূৎ তোয়না হামগদবনি’ হায়না পল্লি।

অদুবু মীওই কয়াগী মফমদা লায়না লাইচৎ অমা শন্দোরকপা মতমদবু বেসিক পার্সনেল হাইজিনগুম্বা ইচম চম্বা থৌওং অসিনা কান্নবা ফংগদ্রা হায়বগী মতাংদা থাজদবা পোক্লরি।

কেম্ব্রিদজকী মাসাচসেটস ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা পাঙথোকপা অনৌবা রিসার্চ অমনা ইনফেক্সিয়স দিজিজ শন্দোরকপা তপথহনবদা খূৎ-শা শেংনা হাম্বা হায়বসি কয়ামুক য়াম্না মরু ওইবগে হায়বদু উৎতুনা মীয়ামগী মফমদা লৈরিবা থাজদবা অসি মাঙহন্নবা পান্দম থল্লি।

রিস্ক এনালাইসিস কৌবা জর্নেল অমা ষ্টদি অসিগী রিপোর্ট ফোঙলকখ্রে। ষ্টদি অসিদা হাইজিন ফগৎহনবনা লায়না শন্দোকপগী খোঙজেল তপথহনবরা অমদি মসি করম্নো হায়বগী মতাংদা খঙদোক্লবগীদমক ইপিদেমিওলোজিকেল মোদেলিং অমদি দেটা-বেজ সিম্যুলেসনশিং শীজিন্নরি।

রিসার্চরশিং অদুনা মশিং য়াম্বা মীওই কয়ানা রেষ্টরুমদা চঙলুবা মতুংদা খূৎ হামদে হায়বা উৎপা হান্না লৈরম্বা দেটা অমদগী এনালাইজ তৌবা হৌখি।

ষ্টদি অদুগী রিসার্চর প্রো. খৃষ্টোস নিকোলেদসকী মতুংইন্না টোইলেটতা চঙলুবা মীওইশিং চাদা ৭০না টোইলেটতগী থোক্লরুগা খূৎ হাম্মী। অদুগা অতোপ্পা চাদা ৩০ অমদি হামদে। খূৎ হাম্লিবশিং অদুগী মনুংদনা চাদা ৫০খক্তংনা কাঙলোন চুম্না হামই হায়রি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী মতুংইন্না খূৎ হাম্বদা খ্বাইদগী ফবা মওং অসি ঈশিংখক্তংনা খূৎ চামথোকপা অদু নত্তে, সাপোন নোইদুনা অমদি খূবাক, খুনম, খূৎশা কারকশিং অমদি খুজিল কারকশিংসু তক্কুনা হামগদবনি। মীওই অমনা য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০ দগী তাদনা তক্কুনা হাল্লবা মতুংদা সাপোন অদু ঈশিংদা থাদোক্তুনা অফবা ফদী অমনা তৈথোক্তুনা কংহনগদবনি।

অদুমওইনমক রেষ্টরুম চঙলুরগা থোক্লকপা খূৎ হাল্লিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা কয়া অমদি সাপোন শীজিন্নদে অমদি খূৎ হাম্বদা সেকেন্দ ১৫ ফানা চঙহন্দে হায়না প্রোফেসর নিকোলেদসনা হায়রি।

রিসার্চরশিং অদুনা হান্না লৈরম্লবা গ্লোবেল ফ্লাইটশিংগী দেটাশিং শীজিন্নরম্মী। অকক্লনা মখোয়না ফ্লাইটকী দ্যুরেসন, ফ্লাইট দিষ্টেন্স, কন্নেক্সন অমদি ট্রেভেলরশিংনা এয়রপোর্টতা লৈবগী মতমগী চাং য়েংশিল্লম্মী।

মখোয়না কন্টাজিয়স এজেন্টশিং শন্দোকপদা থৌদাং লৌই হায়না খনবা এয়রপোর্ট ১২০বু খন্দোক্লম্মী। অদুবু মসি ট্রাফিক খ্বাইদগী কুংবগদি মরী লৈনদে হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লি। খুদম ওইনা টোকিও, জপান অমদি হোনোলুলু, হৱাইদা লৈবা এয়রপোর্টশিং মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা এয়রপোর্ট কয়াগা দাইরেক্ট কন্নেক্সনগী ওফর পীবা মরম্না মখোয় অসি লায়নাশিং শন্দোকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা য়াই। অদুমওইনমক, মখোয় অসি ট্রাফিক খ্বাইদগী কুংবা এয়রপোর্টশিংদি নত্তে। হায়রিবা এয়রপোর্টশিং অসি ইষ্টর্ন অমদি ৱেষ্টর্ন হেমিস্ফিয়রশিংদা লৈবা লৈবাক কয়াগী ট্রান্সিট পোন্ট অমসু ওইরিবনি। ফেক্টর কয়া অসি লোইনা য়েংলগা মখোয় অসি লৌনগনবা লায়না শন্দোকপদা থৌদাং লৌবা মফম অমা ওইরি।

অদুমওইনমক, রিসার্চরশিংনা হায়রি মদুদি মীওই অয়াম্বনা তোয়না অমদি কাঙলোন চুম্না খূৎ হাল্লবদি লায়নাশিং শন্দোকপগী চাং অসি ময়েক শেংনা তপথহনগনি। মখোয়না হায়, ট্রেভেলরশিংগী চাদা ২০ গী মহুত্তা চাদা ৬০না খূৎ নান্না থল্লবদি ইনফেক্সনশিং শন্দোকপগী চাং চাদা ৭০ রোম তপথহনবা ঙমগনি। চাদা ১০ খক্তংগী চাংদা খূৎ লূ-নান্না থম্বা মীগী মশিং হেনগৎপা মতমদা লায়নাশিং শন্দোকপগী চাং অসি চাদা ২৪ য়ৌনা হন্থহনবা ঙমগনি হায়রি।

‘ষ্টদি অসিগী মতুংইন্না খূৎ-শা লূ নান্না লৈবা হায়বসিনা ইনফেক্সন কয়া শন্দোরকপা থিংবগী অমদি মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না লায়না লাইচৎ শন্দোরকপগী রিস্ক হন্থহন্নবগী অচম্বা অমদি ইফেক্টিব ওইবা সোল্যুসন ওইগনি’ হায়নসু রিসার্চরশিং অদুনা মখা তারি।

## এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী কুমজা ২০২০-২১গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না এম এস এফকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি মাইবম সিতলজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না লিশাং শিংনা চত্থদুনা লাকপা একাদেমীক কেম্প্যেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়রিবা অসিগী মখাদা মণিপুরগী শোত্থনা লৈবা মহৈরোয়শিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। একাদেমীক কেম্প্যেন অসিবু হেন্না মপুং ফাহন্নবগীদমক পান্দমদা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংনা এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসতা পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখি।

থৌরম অসিদা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা ইরৈবাক অসিগী অমদি লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। ময়াই তাংবল লৌখিবা এম এস এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইবম জুলেসনা মহৈরোয়শিংদা ৱাফম কয়া থমখিবগা লোয়ননা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিসু রিফোর্ম তৌখ্রে। হায়রিবা মীফম অসিদা এম এস এফ হেদ ওফিসকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি মাইবম সিতলজিৎ, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি অয়েকপম জিম্বনা অমদি ওইনাম প্রেমদাসসু শরুক য়াখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী নৌ থৌ পুগদবশিংদি, প্রসিদেন্টতা থৌনাওজম কপেঞ্জিৎ, নিংথৌজম প্রিয়াদর্সিনি, ভাইস প্রসিদেন্ট এম দি মুটাবির, জেনরেল সেক্রেটরি নিঙোম্বম সুরচন্দ্র, জোইন্ট সেক্রেটরিদা অকোইজম কিরনজিৎ, নিঙোম্বম ইওনি, ফাইনান্স সেক্রেটরি শগোলশেম অমুথোই, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম লানঙম্বা, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা হাওবম বিজেতা, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা এ চিংখৈঙানবা, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা লাইশ্রম ৱিল্লিয়ম, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা রঞ্জন থোকচোম, ওদিটর জেনরেলদা কৈশাম মংলেমজাও, ৱিমেন এফ্যেরস সেক্রেটরিদা থৌনাওজম রোসিনি, এসিষ্টেন্ট ৱিমেন্স এফ্যেরস সেক্রেটরিদা কল্পনা, এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা ইলিজাবেথ সাপম, এল সোনিয়া, প্রভীন, রোশিমন্দা লাইমুজম, সলাম য়াইফবা, এস জনিকান্তা, সপাম পুস্পারানিনি।

## য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী সেমিষ্টর এগজামগী রিজল্ট লাউথোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মঙাশুবা সেমিষ্টর এগজামিনেসনগী রিজল্ট ঙসি লাউথোক্লে হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোওর্দিনেটর ওফ এগজামিনেসন এল দেবেন্দ্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী বি এ মঙাশুবা সেমিষ্টর এগজামিনেসন ফোর উমং লাই-হরাওবা, ঠিএটর, ত্রাইবেল ষ্টদিজ, থাঙ-তা, দান্স, সঙ্কীর্ত্তন, ম্যুজিক অমদি ভিজ্যুএল আর্টকী ওইনা পুন্না মহৈরোয় নুপা ৪০, নুপী ৩৪ পুন্না ৭৪ থাখি। মসিগী মনুংদা নুপা ৩৮, নুপী ৩৪ পুন্না ৭২ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৭.২৯ নি। ৱিথহেল্ড কেনি দদেট য়াওদে। উমং লাই-হরাওবদা মহৈরোয় ৭ পাস তৌখি। ঠিএটরদা ১০ পাস তৌখি। ত্রাইবেল ষ্টদিজদা ৫ পাস তৌখি। থাঙ-তাদা মহৈরোয় ১১ পাস তৌখি হায়রি।

## দিষ্ট্রিক্ট লেবেল মোনিটরিং কম্মিটিনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট লেবেল মোনিটরিং ফোর ৱুদ বেজ ইন্দষ্ট্রিগী চ্যেরমেননা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগী কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা সো মিলশিং অমদি ষ্টোন ক্রশরশিং অমদি নৌনা হাংদোকপা মাইনর ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেটস (এম আই ঈ)শিংদা কোইনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়ানা পূন্দুনা শেম্বা কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দি এফ ও বিষ্ণুপুর ডা. রেবিকা সোইবম চনুনা লুচিংবা টিম অদুনা চত্থখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইরিবা চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট টাইপ-টু, এস দি ও বিষ্ণুপুর, দি এস পি (সী দি ও-২), মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী সাইন্টিষ্ট, দি আই সী বিষ্ণুপুরগী ঈ ও, পি ঐচ ঈ দিগী ঈ ঈ, এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর, পি দল্লিয়ু দি অমদি ওল মণিপুর সো মিল ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনচিংবসু শরুক য়াখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা দি এফ ও বিষ্ণুপুরসু ওইরিবা কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন ডা. রেবিকা সোইবম চনুনা হায়খি, বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগী কোল্লিবা মফমশিংদা হাংলিবা সো মিলশিং অমদি ষ্টোন ক্রশরনচিংবশিং অসিনা পায়ফম থোকপা লাইসেন্স অমদি মরী লৈনবা চে-চাংশিং পায়রিব্রা হায়বদু ঙসি য়েংশিনবনি। করিগুম্বা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা চল্লাইরম্বা য়াওরল্লবদি থিংজিনবা য়াওনা মখা তানা থবক শুদনবা খঙহনগনি। মরম অদুনা দিপার্টমেন্টনা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অসিদা সো মিল, ষ্টোন ক্রশর হাংলিবশিংনা ইশা-ইশাগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং উৎপীদুনা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা পূম্নমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা মহৌশাগী খলশিং অসিবু কনমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী সাইন্টিষ্ট কে ঐচ তোম্বনা হায়, হৌজিক মালেমগী অঈং-অশা হোংলক্লিবা অমদি পোল্যুসন থোকপগী চাং অসি হেনগৎলক্লি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি থেংননবা হোৎনবদা দিপার্টমেন্ট কয়ানা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা পীরিবা চৎন-পথাপশিং অদুবু ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এম কে প্রিয়োবর্তগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭(ঐচ এন এস): মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্সনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা এম কে প্রিয়োবর্তগী মপোক কুমওন থৌরম অমদি ৭লকশুবা মেমোরিএল লেকচর ঙসি কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফিল্ম মেকর শ্যাম কৃষ্ণনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট ব্রজকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইখি। দাংমৈ লাংপুজৈনা বিবেকানন্দ ইনষ্টিট্যুট কলচর সমান ২০২০ ফংলকপদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা খুদোল তমখি। লৈখিদ্রবা এম কে প্রিয়োবর্তগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্সকী হান্নগী প্রোফেসর পি কুমারনা লেকচর পীরদুনা হায়খি, এম কে প্রিয়োবর্তনা চীং-তমদা চৎতুনা ৱারী শাদুনা ইচিল-ইনাও ওইবগী মরী পুশিনবগা লোয়ননা নুংশি-চান্নবা হোৎনরম্মী। হিদাক কান্নরবা পাম্বীশিং থিজিন্নবা এম কে প্রিয়োবর্তনা হায়রম্মী। হিদাক পাম্বী থিজিনবগী ইথিল পীরমদ্রবদি প্রোফেসর ওইরমদবা য়াই। মণিপুরদা নাসিক পাম্বী পুশিল্লকপসি মাওদা ইহান হানখি। মথংদা ফৈদিঙ্গাদা থাখি। মৈতৈগী কান্নরবা হিদাকশিং অমদি লৈজরিবা কয়া অসি থিজিনবা মীশক অমসু ওইখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০২।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা; নুংথিল পুং ২.৩৩ ফাওবা ফাইরেনগী ২৫নি পাল্লি, মতুং ২৬নি পানগনি।

**মেষ :** ইচং থৌবনা শেল-থুমগী লম্দা চাউনা কান্নবা ফংগনি অমদি নচা ননাইগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জবা লৈগনি। অদুবু লাইবক ফবদি ৱাংকনি, খুৎচাউ থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃষ :** শাওরগা মাঙজগনি-অদুনা তপথৌ। লল্লোন ইতিক্তা খন্থবা ফৈ অমদি চরাংনগনু। লেংদবা লনদি লেপশিনবা য়াগনি অমদি ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা চাউনা কান্নবা ফংগনি। ইমুং-মনুং অমদি লৌশিংনা পাঙ্গলসু ওইগনি। অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** হকচাংসু নুংঙাইবা, লাইবকসু ফবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। লমদা নত্রগা মীতোপ লোয়নবগী চাদিং হেনগনি-মরুপ খনবা হৈয়ু-পংশিন্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

**সিংহ :** মতম মাঙবনা হেনগনি অদুনা নাইতোম থৌ পাংগনু অমদি মরম খঙদনা ইচং থৌগনু। মরুপ-মপাং লোয়নবদসু শাওদনবা হোৎনৌ। অচম্বা চাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা :** হকচাং খিংগনি, পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংগনি অমদি অরং অরাক ফংবা য়াবা লৈ। য়েৎনবা মরম অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্দদি খুকউ শেনবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনীংবা ফোঙদোকপা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** নীংবা থুংগনি, থবক পাংগনি অমদি মীচং খোম্বা য়াগনি। অদুবু পূক্লিং ৱাবা, চিংনবা অমদি লৌশিং থোকপা ৱাৎপা লৈ অদুনা অরুবা থবক্তা ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** শেল-থুম অমদি মীয়ামগী মতেং পান্নদি লাইবক ফবা ওইগনি। মীয়াম্না য়াবা থবক পাংবদি শোইদনা মায় পাক্কনি। অদুবু অনম তানবদি মীখা পোন্দুনা তোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


**ধনু :** হরাওবা নুংঙাইবা ফংগনি, শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা অমদি অনৌবা থৌরমদা কান্নবা নুমিৎনি। মীংচৎসু ফংগনি, থৌরম শিন্দোকপা হৈ। খোইরাংবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** চিন শোইরদি শেল তিংগনি-অদুনা ৱা য়াম্না ঙাঙগনু। থাজদনা নক্লবনা লৌথোক চাথোকনিংগনি অমদি চয়েৎনবা লৈগনি-খাংবা অমদি থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


**কুম্বা :** শেল ফংগনি, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি লৌশিংনা কান্নবা য়াম্না তানশিনবা ঙমজগনি-অদুনা তনগনু। অঙম্বনা য়াম্না লুনা তৌবীগনি, মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** থবক পাংগনি, লাইবক ফবনা নচা ননাইগী লম্দসু নীংবা থুংগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপিগনি। অদুবু য়েক্লবনা কাইনহন্নবা শিল্লক্কনি নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



HL-P/6426/18-24



HL-P/4570/19-28jan.